## ইন্দিয়ানা বেলারস ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে

ভোপাল, মার্চ ০৮ : ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা বেলারসপু ঙসি অরোইবা ফাইনেল টাইদা ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা মেচ মঙামক মায় পাকখ্রে।

ষ্ট্রাইকর রানি রামপালনা কেপ্তেন ওইখিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা ঙসি মঙাশুবা মেচতা বেলারসপু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসি চাউনা মায় পাকখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা বন্দনা কটারিয়ানা ফিল্ড গোলা অমা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা চনখি। অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গুরজিৎ কৌরনা ১৫ শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল ওন্থোকখি।

মেচ অদুগী ৫২ শুবা মিনিটতা বেলারসকী য়ুলিয়া মিখৈচেকনা পেনালটি কোর্নরদা টিমদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল ওন্থোকখি। গোল অমা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী স্কিপর রানি রামপালনা মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল অদু ওন্থোকখি।

## ওইনাম কুমার ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ : হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১১ ফাওবা হায়দ্রবাদকী বসির বেদা লৈবা লাল বহাদুর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩১ শুবা মেন’স অমদি ২৭ শুবা ৱিমেন সেনিয়র অত্যা-পত্যা নেসনল চেম্পিয়নশিপ মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অত্যা-পত্যা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ইগজিক্যুটিভ মিটিংদা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর অত্যা-পত্যা এসোসিএশনগী ওইনাম কুমার খল্লকখিবগা লোয়নননা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

## কেন্সরগা থেংনবা বাউট মায় পাক্তবা য়াদে ঃ ঙাঙোম দিঙ্কু



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৮ :

কুমজা ১৯৯৮ গী এসিয়ন গেমসতা বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌখিবা পদ্মশ্রী এৱার্দি মণিপুরগী মমিং লৈখিবা বোক্সর দিঙ্কু হৌজিক কেন্সর লায়নাগা লাম্বেংনদুনা অৱাবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি। মশাগী অনাবা লায়েংবদা ময়ূম ফাওবা য়োনখ্রবা, শান্নবদা ৱাল্কওভর ফংবা অমুক্তা উখিদ্রিবা বোক্সর অসিনা শোয়দনা মায় পাক্তবা য়াদবা বাউট অমনি হায়বা ৱাখলগা লোয়নননা লিভর সিরোসিসকা থেংনরি।

মহাক্কী খুঙ্গংগী ময়ূমগী মপান্দা য়ান দুনা লৈরিবা মহাক্না ফংখিবা পদ্মশ্রীগী ফ্রেম চনবা সাইটেসন অমগী মনাক্তা মতম অমগী মশক মতৌ ফজরবা চুং ফিরাল চারবা দিঙ্কুনা অনাবনা মরম ওইদুনা ফীভম শোক্লা লৈবা উনখি। মহাক্না নিংথিরবা নেভিগী য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা লৈবাক অসিগী লেমজনীংঙাই ওইরবা এৱার্দ অদু লৌবগী ফোটোগ্রাফ অমসু মহাক্কী মনাক্তা চৎপশিংনা উবা ফংই। মতম অমদা মীয়াম্না ঙক্লখিবা হকচাং ওইখিবদু হৌজিক্তি শাশিন্নবগী মওংদা ফীভম শোক্লা লৈরম্বা থেংনখি।

মতম অমদা মীশিংনা দিঙ্কুগী গ্লোব য়াওদবা অমসুং টেপনা য়েৎতবা মখূৎশিং ইরায় লায়না উবা ফংনখিদবদু ঙসিদি ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী উবা ফংলে। অনা লায়েংগী চাদিংশিং কোন্ননবা হোৎনবদা তঙাইফদনা নহাক্কী য়ূম ফাওবা য়োনবা তারবদি নহাক শোয়দনা অচম্বা মীওই অমা ওইনা হিংবা তারকই। মসিনি ঐখোয়গী মতম অমগী ফাওরবা দিঙ্কুনা মশাগী অরুবা অনাবনা মরম ওইদুনা লেল্লিবা ফীভম।

## আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী হৌদোকপগী মেচতা ইংলেন্দ অমসুং ইন্দিয়া শান্নরগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৮ :

চহীসিগী জুন ২৪ দগী ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা দরবিদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপ্তা হান্নগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়া অমসুং য়ূম্বু ইংলেন্দগা অহৌবা মেচতা শান্নরগনি।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) না ফোঙদোকখিবদা ওপনিং মেচতা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দ শান্নগনি লোয়নননা ন্যুজিলেন্দনা শ্রী লঙ্কাগা নুমিৎ অসিমক্তদা ব্রিসটোলদা শান্নগনি।



ইন্দিয়ানা দরবিদা গেম মরি শান্নগনি। মদুগী মনুংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা জুলাই ২ দা শান্নগনি। হায়রিবা মেচ অসি আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মেচ অমা ওইগনি হায়না মীয়াম্না পানরি।

ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজগা অহুমশুবা মেচত ওইনা টুৱান্টোনদা শান্নগনি। বিটোন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াগা অদুগা লৈচেষ্টরদনা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগনি। ওষ্ট্রেলিয়ানা জুন ৬ তা টুৱান্টোনদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মমাঙগী চহীদা টাইটলগীদমক শান্নখিবা অদুগুম্না অমুক হন্না নুমিৎ অসিদা থেংনগনি হায়না আই সী সীগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসি নুমিৎ ২১ নি চুপ্পা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা নুমিৎ ২১ নি অসিদা পূন্না মেচ ২৮ শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিদগী খ্বাইদগী ফবা টিম ৮ খনগৎতুনা রাউন্দ রোবিন শান্নগনি। মদুদগী সেমী ফাইনেলগীদমক টিম মরি খনগৎতুনা বিষ্টোন অমদি দরবিদা হায়রিবা সেমী ফাইনেল মেচ অনী অদু শান্নগনি। আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেল মেচনা জুলাই ২৩ দা লোর্দসতা শান্নগনি।

ইংলেন্দনা আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন তরুক্লক ওইদুনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগা বিষ্টোনদা জুলাই ৯ দা শান্নগনি। ন্যুজিলেন্দগা জুলাই ১২ দা দরবিদা অমুক শান্নগনি।

বিক-হিট্টিং ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমনা কুমজা ২০১৩ ৱর্ল্ড কপগী ফাইনেলদা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি। অদুবু হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদদি ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা চেম্পিয়ন ওইনবগী অচৌবা থাজবা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ অহুম টুৱাণ্টোনদা শান্নগনি। লাইচেষ্টরনা পাকিস্তানগী হোম ভেন্যু ওইদুনা মেচ তরেৎ শান্নগদবগী মনুংদা মঙাদি হায়রিবা মফম অসিদা শান্নরগনি। অতোপ্পা মেচ অনীনা গ্রেসরোদতা ইংলেন্দগা জুন ২৭ তা অদুগা জুলাই ৫ দনা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি।

জুলাই ১৮ অমসুং জুলাই ২০ দা দরবি অমদি বিষ্টোনদা মথংশিংনা শান্নগদৌরিবা সেমী ফাইনেল মেচ অনীদা মালেমগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা টিমশিং লাক্কদবা মরম্না ফাইনেল মেচতগী সেমী ফাইনেল মেচনা হেন্না নুংঙাইগনি হায়না পানরি।

আই সী সীগী চীফ ইগজিক্যুটিব দেবিদ রিচার্দসন্না ফোঙদোকখিবদা লোর্দসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল মেচ অসিগীদমক হৌজিক টিকেট লিশীং ৯ রোম য়োনখ্রে। লেমহৌরিবা টিকেটশিং অদুদি ইভেন্ট নকশিল্লক্লবা মতমদা য়োল্লগনি হায়রি।

## দুবাই ওপন থারগা এন্দি মরেনা মহাক্কী কেরিয়রগী টাইটল লৌবা ৪৫ শুখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ :

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরে মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মায় পাকপা টেনিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা চনখিবগা লোয়নননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌখিবগা লোয়নননা মহাক্কী টেনিসকী কেরিয়রদা টাইটল লৌবা ৪৫ শুখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, এন্দি মরেনা হন্দক দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌখিবা অসি মহাক্কী ওইনা অহানবনি। ঙসিদগী চহী মঙাগী মমাঙদা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা রোজর ফেদররগী মখূৎতা মায়থীদুনা এন্দি মরে টাইটল লৌবা ঙমহৌখিদবনি।

এন্দি মরেনা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌরবা মতুং ত্রোফি খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা মহাক্না অহানবা ওইনা ত্রোফি লৌবা ফংবা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবনি।

দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌরবা মতুং এন্দি মরেনা ইন্দিয়ন ৱেলস মাষ্টর টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা অমুক অকনবা মিৎয়েং থল্লি। দুবাই টুর্নামেন্টকী চহী ২৫ গী পুৱারীদা এন্দি মরেনা অহানবা বৃটিশ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। হৌখিবা টুর্নামেন্ট ৮ গী মনুংদা ফাইনেল তরেৎলক শান্নখ্রে।

















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com